# শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগীদমক হোলিগী খোঙচৎ অমদা ফাওরকপা ৱাখল -৩

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লূৱাং**

**চৎলিবা** কুমজা ২০১৮গী হন্দক্তা লোইখিবা য়াওশঙ কুম্মৈগা মরী লৈননা মণিপুর সঙ্গিৎ নাত্য মহাবিদ্যালয় জয়পত্র হোলি পলাগী শৈশক নবদ্বিপতা লৈরিবা শ্রীশ্রী অনুমহাপ্রভুগী থৌগল তৌরুনবগীদমক হঙ্গৎ হন্দাগী ওইনা নুমিৎ ১১নিগী ওইবা খোঙচৎ অমগী মতাংদা হোলি দলসিগী সেক্রেটরিনা শেম্বা চাউরাকপা (টেনটেটিব) প্রোগ্রাম অমগী মনুংদা থেংনরকপা ৱাফম খরগী মতাংদা অসুম্না থমজগে।

ফেব্রুৱারী ২৩, ২০১৮, লমতাগী ৮নি পানবা ইরাই নুমিৎসিগী অয়ূক্কী পুং ৭.৩০ ফাওবগী মনুংদা মেম্বরশিংনা মশা মশাগী মথৌ তাবা পোৎয়োমগা লোয়ননা ক্বাকৈথেল লৈমখুজম লৈকায়দা লৈবা ব্রজবাসিময়ূমগী মাণ্ডপতা থুংলরবা মতুংদা অয়ূক্কী পুং ৮ তাবদা খোঙচৎসিগীদমক খামদুনা থম্লিবা গাড়ী বস তোংলগা নবদ্বিপকীদমক ইম্ফাল থাদোকপা হায়নবনি অদুবু নবদ্বিপ ফাওবা খোঙবু ওইমিন্নগদবা মোইরাংদগী হাইগৎলক্কদবা বস অমা ঙাইনরিঙৈদা চাউরাক্লা অয়ূক্কী পুং ৯ অদুৱাইদা থুংলবদগী হোলি দলসিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইবিরিবা শ্রী লৈমখুজম সরতচন্দ্র অমদি ত্রেজরর ওইবিরিবা ওজা শ্রী তাওরেম ইবোবীনচিংবনা নুংঙাইবা খোঙচৎ অমা ওইনবগী য়াইফ থৌনি পীরবা মতুংদা বসতু খোঙশানবা হৌরক্তুনা অমুক কালিমাই ইমাগীদা খুরুম্লম্লগা অশেঙবা খোঙচৎ হৌনবা হোৎনবদা অয়ূক্কী পুং ১০ ময়া ওইখি। সেকমাইগী ময়াম চাক চাফমদা বসসি খাল্লগা চানীং-থক্লিংবা চাব লোইরগা বসশিং থৌগৎনবদসু ঐখোয়গী বসনা অদুমক খরা কোল্লপ তৌখি। মসিদগী খরা থৌগৎলবা মতুংদা গাড়ী দ্রাইভর অমনা মানা হেক হেক চাবা হীদাক অমা ফার্মাসি অমদগী লৈননবা, করিনোমা জেরোক্স তৌনবা হোৎনবদা ঙাইহাকসু মতম মাঙখি। অদুদগী গাড়ী থৌগৎলকপদা লম্বীদা উফুল য়াম্না থোকপগী নুংঙাইতবা মায়োক্লরিঙৈ চৈরক্তা খোঙচৎতুগী ওইনা শীজিন্নগদবা গাড়ীগী য়াম্না মরু ওইবা পার্মিটকী চেদু ঙসাইগী হীদাক লৈফমদুদা কাউরম্লে হায়না দ্রাইভরনা নীংশিংলকপদগী মোটবুং খরা লাম্হোক্না থৌরুরবা গাড়ীদু অমুক মমায় ওন্দুনা লাক্লগা চেদু লৌনবা হোৎনবদসু অতোপ্পা মতম খরা অমমুক মাঙখি। লম্বী উফুলসু হৌবা, লম্বী শেমজিন শাজিনবীদবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরগা থৌগৎলকপদা খোঙচৎ হৌবদগীনা মথং-মথং অপনবা য়াওবসিনা মরম ওইরগা খোঙহৌ থেংবা হায়বদু ওইবনা মণিপুর ইমাগী অরোইবা ঙমখৈ মাও গেট লাম্হোকপদা নুমিদাং য়াচংবা ওইশিল্লকপদগী অমম্বগী খুদোংচাদবদু ফনবা গাড়ীগী লাইট থাঙ্গৎলগা থেক্লা খোয়না চৎলিবা লম্বী তুং ইন্না য়ূমথংনবা ষ্টেট নাগালেন্দগী লমখৈ মথং-মথং লানশিন্দুনা গাড়ীদু থৌগৎলকই। খোঙচৎ হৌবদগীনা করিগুম্বা অশোয়বা খরা লৈবগী চিংনবা ফাওনরক্লবা মতমদা বসতু থৌরিবা দ্রাইভরনা গাড়ীসিগী মশাদা অশোয়বা খরা লৈবগী চিংনবা ফাওরকপগী খুদম উবা ফংখি। সেকেন্দ দ্রাইভর অমদি হেন্দলমেন্না লম মতেক খরা থৌরবা মতুংদা অমুক শেম্বনচিংবা তৌবসি অদুম খরা তোয়শিল্লকখি। অদুদগীদি তোংলিবা হোলি দলসিগী মেম্বরশিংনা নুংঙাইতবা অদুম ফোঙদোক্লরকখি। অহিংগী মম্বগী চাংসু চীঙ্গোল ওইবনা হেঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা থেক্লা খোয়না চৎপা চীং লম্বী ওইবগী খুদোংচারোইদবা কয়াসু থেংনবা হৌরকখি। মেছিনগা মরী লৈনবা হায়বসিদবু তম্বা ঙমদবনিনা নাগালেন্দগী লমখৈ খরা লানশিল্লক্তুনা কোহিমা য়ৌনবা থৌগৎলকপগী খুনিংথেক শানা কোনবা (য়ু টর্নিং) মফম অমদা ময়াম তোংলিবা গাড়ীদুগী ষ্টিরিংগী মমায় চুম্বদা শীজিন্নগদবা য়াম্না মরু ওইবা পার্ট অমা ওইরিবা পাইপ অমা য়াশিল্লক্তবদগী মখা তানা গাড়ী থৌবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবসি গাড়ীগী য়াওরিবা মীওইশিংনা ঙাঙনরকখি। মসিনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা চীঙ্গোন্দুদা অহিংদুমা করিমত্তা চাদ-থক্তনা ময়াম পূম্নমক বস মনুংদা তুমিন-তুমিন্না লৈনরগা ফেব্রুৱারী ২৩গী অহিংগী মতমদু লেনবা তারকখি। অহিংগী মতম ওইখিবনা মফমদু নাগালেন্দগী করম্বা মফমনো হায়বদু ফাওবা য়েংবা থোক্লবদা খুদোং চারোইদবদু খন্নবদগী ইম্ফালদগী খোঙবু ওইনা লাকমিন্নবা মমাঙদা থৌগৎতুনা কোহিমা লানবা অমদি য়ৌনরবা গাড়ীশিংদা পাউ পীরবা মতুংদা কোহিমা ময়াদা লৈরিবা গাড়ীদু মফমদুদা লাক্লগা য়াদ্রিবা গাড়ীদু চিংলগা পুবা অমা নৎত্রগা নুপী অনী য়াওবদুগা অহল খরগা কোহিমাদগী মফমদুদা হল্লকখিবা গাড়ীদুদা তোংহল্লগা গাড়ীদু চৎনবা হায়নরকপদা, খোঙচৎতুগী ওইনা ৱাইরিবা গাড়ীদুগী দায়ত্ব লৌবা ঙম্বা থিরকপদা শ্রী ব্রজবাসিময়ূম গোপাল শর্ম্মগী মহুৎ ময়েং শিনবা মশেন নুপা অমা কোহিমারোমদগী হল্লকপা গাড়ীদুদা য়াওরকপদগী মতম খরা চরাংনবা থোক্লম্বদু গাড়ী অমদুদি তোখায়না লাকচবগা লোয়ননা নুপী যাত্রিক্লা অয়াম্বা ওইবনা চৎহনখিবদা য়ানরবা মতুংদা ঐখোয়গী খোঙচৎতুদা য়াওবা মতৈ মনাও অমদি অতোপ্পগী গাড়ীদুদা য়াওরগা চৎখিবনা মফমদুদদি অহিং য়ারেকপা য়াওখিদে। অসুম্না কোহিমাদগী হল্লকখিবা বসতু মমায় লৈরগা কোহিমারোমদা থৌগৎখ্রবা মতুংদা য়াদ্রবা বসতুদা খোঙচৎতুগীদমক লাকমিন্নবা অহল, মীয়াই, নহা লোয়নমক মত অমত্তা ওইনা গাড়ী মনুংদা ফাওবা মৈ অমত্তা থান্দনা, তঙাইফদবা মপান থোকপা নত্তনা, বসকী মনাক্তগী কনামত্তা খজিক্তং লাপ্পা ফাওবা চৎথোক্লদনা বস মনুংদা অহিংদু ৱানা লেন্নখি। মতমদুদা ঐখোয় লোয়নমক্লা হায়বা য়াবা মওংদা, মানা মানা থোকপা থাজবা লাইশিংগী মফমদা অশোয় অঙাম থোকহনবীদনবা থৌনিজরগা বস মনুংদা অহিংদুমা মল্লবা চীঙ্গোলদুদা লেন্নবা হোৎনখি। অইবগী ওইনদি তেংপানবগী মপূ 'হয়ি হয়া শিদবা', য়ূমগী 'লাইনিংথৌ সনামহী ইপা অমদি ইমা লৈমরেল শিদবী' পূম্নমকপু থম্মোয়নুংদা চেৎনা থাগোন্নজরগা ঐখোয় লোয়নমক মখল অমত্তগী অশোয় অঙাম থোকহনবীদনবা থৌনিজবনা মপূং ওইখি। অদুবু লাইবক ফবদগী অহিংদুমা অশোয় অঙাম অমত্তা থোকহনবীদনা কোরৌহনবা নুমিৎ মানা খোমদোন অতোনবা-য়োইমনাই তাউদনবা-তাউরোইনাই অঙানবনা তপ্না তপ্না নোংপোক চীঙ্খৈ পাংবদগী চীংশাং নাপোম খায়না খোংদোয় হুল্লকপনা অঙানবা মঙাং মতম হায়বদু ওইরকখি। হৌখিবা অহিংদুগী অৱাবদু খরা খরা কোল্লকপদগী ময়াম পূম্নমক বসতগী কুমথরগা মপান ইপান, খোঙহাম খুৎহাম্বা, চিন-খা তেংবা, মায়-মিৎ তাবা য়াবা থিনরকপদা মফমদু লাইগী নোংদমদগী য়াম্না মফম চাবা অমা ওইরমখি। খুনিংথেক হেক শাবদুদা ৱাটর সপ্লাইগী চাংজৌ মান্নবা পিক থল্লবা গভর্ণমেন্টনা শেম্বা টেঙ্কি- মসিগী পান্নবা চৌকিদারগী ক্বার্টর, হেক মনাক নকপদা গাড়ী থাফমদুগী মনীংদা মীয়াম্না গাড়ী ঙায়নবা শঙ (ৱেটিং সেদ), হেক থংননা জুকো ভেল্লি য়েংবা কানবা গাড়ী অচৌবা মচা থৌগৎপা য়াবা সাইন বোর্দ থাদুনা লৈরম্বা মফম, নেপালি খরনা জরসি ষণ (তলবতা) থাক্তুনা লৈরম্বনা খোঙ হাম্বদা খরগসু হেন্না খুদোংচাবা মফম ওইরম্বসিনা খরগী মখৈ শাফখি। দুকান অনী অহুমসু মফমদুদা হাংলম্বনা/ফল্লম্বনা কনাগুম্বনা থক্লবা ঈশিং, চানবা বিস্কুটনচিংবসু ফংলম্বদা অমুক্কা হেন্না নুংঙাইখি।

ফেব্রুৱারী ২৪, ২০১৮, লমতাগী ৯নি পানবা থাংজ নুমিৎসি 'জুকো ভেল্লি কানবা হাইগৎফম' অমদি মসিগী হেক মনাক্তা ৱেটিং সেদ লৈরিবা মফম ওইবনা, ময়াম্না তোংলকপা য়াদ্রিবা গাড়ীদু শেমজিন্নবা পার্ট ইম্ফালদগী পুশিল্লকপা য়ানবা দ্রাইভরনা গাড়ী মহাজন্দা পাউ পীখ্রবা মতুংদা পার্টতু য়ৌরকপা ঙাইবা ওইনা অয়ূক্কী চাক থোংদুনা চাথোক্লবা পুজারিশিংনা থোংগৎপা হৌগৎপদা মেম্বর খরসু এঙ্গাং শেম শাবদা মতেং পাংশিল্লি। অসুম্না ময়াম পূম্নমক্ক া মতেং পাংশিন্নরবা মতুংদা চাবা থকপা অমদি থোংবদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং ফেংবা চাম্বদা অয়ূক্কী পুং ৯ মুক তাবদা পুমলোই লোইশিল্লে। অহিংদা চাদ-থক্তবগী অৱাবদু তাং ২৪-২-২০১৮গী অয়ূক্তা ঙস্তানা চাবা থকপা লোইনবদগী কোক্লবা মতুংদা ইম্ফালদগী পুশিল্লক্কদবা য়াদ্রিবা গাড়ীগী পার্টতু শিন্দোকপা ঙাইনবগী অৱাবনা খরখিৎ লাংতকহনখি। পাউ হন্না হন্না ফাওনরবা মতুংদা ইম্ফাললোমদগী দিমাপুর তান্না চঙলকপা ৱিঙ্গর অমদা পার্ট অহনবদু পুরক্তুনা গাড়ীগী কাঙবুশিংনা শিন্দোক শিঞ্জিন তৌবদা অতোপ্পা পুং খরা চঙলবা মতুংদা গাড়ীগী পার্ট অতৈসু চেক তৌরবা মতুংদা থোইদোক্লা খুদোংথিনীংঙাই ওইবা ফীভম য়াওদবদগী থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ তাবা অদুৱাইদগী জুকো ভেল্লি হাইগৎফমদু থাদোক্লম্লগা নবদ্বিপকীদমক খোঙশাল্লকখি।

# ৱাইশেল মরীনগী হৌজিক ওইরিবা অশেংবা শক্তম

**নাওরেম দেবান মঙাং**

**ইম্ফাল ৱেষ্ট** দিষ্ট্রিক্টকী কেন্দ্র ৭ মদুদি : ১) কৈশামথোং ২) শগোলবন্দ ৩) নাওরিয়া পাখঙলাকপা ৪) পাৎশোই ৫) ৱাঙ্গোই ৬) নম্বোল অমদি ৭) ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রশিং অসিদা হকথেংননা চাউরাক্লা কিলোমিটর ৩৬ লোম থেক্লা কোয়না চেল্লিবা শাংলবা ঈশিং ঈরমসি মমাঙঙৈ মতমদগী হৌজিক্লা হেন্না ঈশিং থুন্নকপগী চাং হেনগৎলক্লি। চাউরাক্লা হৌখিবা চহী ২০১২-১৩ অসুৱাইদদি ময়ায় ওইরপ চুবা নোংনা পুং ২/৩ দং লেপ্তুনা চুরকপদা ঈশিং ঈচাউ থোক্লম্মী। অদুবু, হৌজিক্তি শুপ্নতগী পুঙ্খায় (১/২) অমতং চুরকপদা ঈশিং ঈচাউ থোক্লক্লে। লম্বী-থোং অমদি ইশ্কোল শম্বলদগী হেন্দোক্তুনা ইমুং ফাওবা ঈশিং থুম্বা য়াওরক্লে। অহানবদদি কৈশামথোং অমসুং শগোলবন্দ কেন্দ্রশিংদতা ওইরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি নাওরিয়া পাখঙলাকপা, পাৎশোই অমদি ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী ইরোম-মৈজ্রাও ফাওবা মথং-মথং ঈশিং থুন্নক্লে। অসিগুম্বগী ঈশিং-ঈচাউ অসিবু খূৎশেমগী ঈশিং-ঈচাউ, ইংগ্রাজিদা হায়রগা 'আর্টিফিসিএল ফ্লদ' হায়না খঙনৈ । অদুগা ঈশিংনা চেন্থফম লৈরক্তবদগী উরু-উরু লৈদুনা লৈববুনা ষ্টোর্ম-ৱাটর-দ্রেন হায়নসু খঙনৈ। মণিপুরগী কেন্দ্র ৬০গী মনুংদা কেন্দ্র ৭ অসি নত্তনা তোইনা ঈশিং থুমগনবা কেন্দ্র অমত্তা ষ্টেট অসিদা লৈতে।

অদুনা ইম্ফাল সহরদা লৈরিবা ৱাইশেল ঈশিং-ঈরমসিবু মওং তানা তুং-কোয়বা ফীভমদা শেন্মী শাবিরক্তবদগী থোক্লক্লিবা খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাউ অসিনা চহী অমদা থা খুদিংগী ওইনা চাংচত্তা থোক্তুনা লাক্লি। চৎলিবা মার্চ ২০১৮দসু অনীরক হৌখিবা তাং ২ অমসুং ৪দা অদুগা অমনা হৌখিবা মার্চ তাং ১৩ অমসুং ১৪দা ঈশিং ঈচাউ অসি থোকখ্রবনি। অসিগুম্বগী ফীভমসিদা হঞ্জিন হঞ্জিন ঈশিং ঈচাউ থোক্লবা মফমসিদা করম্বা মখলগী চাওখৎ থৌরাং অমা লৌখৎকদৌরিবনো! করম্বা মখলগী 'স্মার্ট সিটি' অমা ওইহনবা ঙমগদৌরিবনো! কোয়লাস থারবা লম্বীদা চেকখায়রক্তুনা ঈশিং চঙলক্লবা অমদি অতোং-অকুৎ কয়ামুক লৈরক্লবা লম্বীনা কয়াম কুইনা চৎপা য়াগদৌরিবনো? অদুগী মথক্তা ঈশিং থুন্নম্বদগী কংথখ্রবা মতুংদা অপূম-অশা কয়াগী নমথিরবা মনম্না মীওইবা অমদি জিবশিং কয়াগী অনা-অয়েক মরক্তা করম্বা পুন্সিনা তিঞ্জং কাইজংদনা মশা-মউ ফনা খিং-খিং লাউনা স্মার্ট ওইনা হিংবা ঙমগদগে। থায়না ইপা-ইপুশিংনা হায়রম্মী মদুদি 'ঈরম-খোংলম ফৎত্রবদি নুপী-অঙাংশিংগী ঈ মরী শোকই' হায়না।

হায়রিবা ঈশিং ঈরমসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমদি ৱাইশেল মরীনসিগী হেক হৌরকফম ওইরিবা কৈশামথোং কেন্দ্রগী হোদাম লৈরক মনীংগী ইতিনফম ওইরিবা থৌদা ভাবক লৈকায়গী মোংফমদগী খা পাংনা চেন্থরক্লিবা ঈশিং লম্বীসিদা ঈচেনসিবু থিবা ব্লোকেদ কয়ামুক লৈরি। মফমশিং অদুদি চাউরাক্লা শাংলবা কিলোমিটর ৩৬ লোমগী ঈশিং লম্বীসিদা লৈরিবা উকুশিংগী মমাঙ-মমাঙদা ফত্ত-হৌদিশিং অমদি নাপী-শিংবীনচিংবা কয়ামুকসিনা ফুন-ফুন্দুনা লৈবসিনা মরু ওইবা ৱাটর-ব্লোকেদ হায়বদু ওইরি। ফীভমসিগা লোয়ননা লৈরল্লিবা/শারল্লিবা উকুশিং অয়াম্বনা চেন্থরক্লিবা ঈরমগা মতিক-মপা চাদনা পীক্লা-পীক্লা খুনা-খুনা শারম্বশিং অসিনসু মরু ওইবা ঈচেলবু থিংবা হায়বদু ওইরগা য়ামখ্রবা ঈশিংগী এমাউন্টশিংবু পুবা ঙম্নক্তবদগী ঈশিংগী চাং লেপ্তুনা ৱাংখৎলক্তুনা য়ূম-ইশ্কোলশিংদা চেন্থফম লৈরক্তবদগী চেনশিল্লকপগী মরম ওইরিবনি।

মতাংসিদা ৱাইশেল-মরীনসিগী লৈরিবা অৱাং-অনেমসি জিওগ্রাফিক টোপোগ্রাফিগী মতুং ইন্না অৱাংলোমদগী খারোমদা ঙমথবনা মরম ওইরগা অৱাংলোমদা লৈরিবা কৈশামথোং, শগোলবন্দলোমদগী খারোমদা লৈরিবা নাওরিয়া পাখঙলাকপা, পাৎশোই, ৱাঙ্গোই, নম্বোল অমদি ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রশিং অসিদা ঈশিং অসি চেন্থখিবনি। মসিগী চপ চাবা ফীভম অমা খঙনবগীদমক 'ৱাইশেল মরীন শেমগৎপা লূপ' সিগী অখন্নবা টিম অমনা ইরমসিগী অনকপা মফম খরদা হৌখিবা তাং ০২-০২-২০১৫দা গ্লোবেল পোজিসন সিষ্টেম (জি পি এস) অমা লৌদুনা পাঙথোকখি। মদুদা সমুদ্র ঈমায়দগী ঈচেলসিনা চেল্লিবা মফমশিং অসি অনেম-অৱাংগী অকক্লবা ফীভম অসি খঙবা ঙম্মী মদুদি :-

১) কৈশাম্পাৎ ৱার্দ নম্বর ৯, কৈশামথোং -সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর-৭৬৭-ৱাংই।
২) নহারোল থৌদাং, কোঞ্জেং হজারি লৈকায়, ৱার্দ নম্বর ৯, কৈশামথোং - সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর-৭৬৪-ৱাংই।
৩) তখেল্লম্বম লৈকায় (টি ৱাই সী), শগোলবন্দ কেন্দ্র, ৱার্দ নম্বর ১০ - সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর-৭৬০-ৱাংই।
৪) হোদাম লৈরক, ৱার্দ নম্বর ১১, কৈশামথোং কেন্দ্র - সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর-৭৬২-ৱাংই।
৫) থৌদা-ভাবোক, ৱার্দ নম্বর ১২, কৈশামথোং কেন্দ্র - সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর-৭৬২-ৱাংই।
৬) ক্বাকৈথেল বজার, ৱার্দ নম্বর ১৩, কৈশামথোং কেন্দ্র - সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর-৭৭৪-ৱাংই।
৭) ক্বাকৈথেল বজারদগী খরা হাইথরগা নাওরিয়া কেন্দ্রগী টিদ্দিম গ্রাউন্দ ময়া - সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর-৭৭০-ৱাংই।
৮) ইস্কোন টেম্পল মনাক পাৎশোই কেন্দ্র - সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর-৭৭৩-ৱাংই।
৯) হোন্দা শো রুম, ঘড়ী মখা লৈকায়, পাৎশোই কেন্দ্র - সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর-৭৭২-ৱাংই।

ফীভমসিনা তাক্লি মদুদি ঈরমসি অৱাংলোমদগী খারোমদা চেন্থে অদুগা অমুক তোংখৎপসু লৈরি অমুক কুৎথবসু লৈরি। মসিনা কেন্দ্র ৭মকসি ফাওদুনা থেক্লা-কোয়না চেল্লিবনি। অসিগা লোয়ননা হৌখিবা চহী কয়াদা চৎথনরম্বা রিটেনিং-ৱাল কয়া চনবা অমদি ৱাইশেল-তেংবা/ৱাইশেল-শেংবা হায়না লৈবাক পুংজাউ থিন্দুনা লাউ-খোংবগা লোয়ননা মরম ওকপা অমদি মীয়ামগী খনবা শাদুনা মওং-মরীন চুম্না, খোংগুন তানা চত্থিবা থবক অমত্তা নত্তে। মরম অসিনা ঈশিং-ঈচেলসিনা খা পাংনা মথং-মথং চেন্থরকপদা চেন্থবা ঙম্নক্তবগী ফীভম অসিদি ঈচেলসিবু মশাগী ওইবা নেচরেল লম্বীদা থিংদুনা লৈরকপদগীনি।

ঈচেল থিংলিবা ব্লোকেদশিং অসি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ঈচেলসিগী হৌরকফম ওইরিবা হোদাম লৈরক্কী ঈতিনফম অসিদা অহানবদা অৱাংলোমদগী টিদ্দিম লম্বীগী নোংপোক থংবা শরুক্তগী লৈরিবা লৈকায়শিং মদুদি অহৈবম লৈকায়, লাইশোম লৈরক, মোইরাংনিংথৌ লৈরক, তোপ লৈরক অমদি হোদাম লৈরক্কী য়াল্লবা ঈশিংগী এমাউন্টসিগা টিদ্দিম রোদকী মনুংগী উকু ফাওরগা নোংচুপলোমদগী লাক্লিবা লৈকায়শিং:- কাংঙবম লৈকায়, কৈশাম লৈকায়, মৈনো লৈরক, থিয়াম লৈকায়, লৈমজম লৈকায়, নেপ্রাম মেঞ্জোর লৈকায়, মোইরাং লৈরক, জেল্লর লৈরক অমদি ধোবি মচু লৈরক (কোঞ্জেং হজারি লৈকায়) লোয়ননা মনীংলোমদগী খ্বাইরাকপম লৈকায়নচিংবা কৈশামথোং কেন্দ্রগী ৱার্দ নম্বর ৯গী য়াল্লবা ঈশিংগী এমাউন্ট অসিনা মনীংলোমদগী টিদ্দিম লম্বীগী মনুংগী উকুসি ফাওদুনা লাক্লগা হায়রিবা হোদাম লৈরক মনীংগী ঈতিনফম অসিদা পূল্লগা থৌদা ভাবোক লৈকায়গী হেক মমাঙদা চেল্লিবা ৱাইশেল ঈরমসিদা লাক্তুনা ঙানপ্পী থোং তম্না লাকই।

-মথং-মথং

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯**

১। ঐখোয় মৈতৈগীদি পূং হায়বসি থানবা য়াদ্রবা পোৎশক্লি।
(ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা ইহান হান্না পূং তিংখিবগে?
(খ) করম্বা শাগী মঊন্না তিংবদা পূংখোল থোক্লকখিবগে?
২। "থাপ্না উরিবা চীং অসি ওন্থোক্লা ফজৈদা/নৌনা পূক্লিং হূনা নিংথিদা/ঈংনা নিক নিক লাউইদা।" পরেংশিং অসি ডা. কমলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। বাংলা অইবা শরতচন্দ্রগী ৱারীমচা 'মহেশ'কী মমি তাবা ৱারীমচা অমা কুঞ্জমোহন্না ইরকখি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। কুমজা ১৯৭৭তা 'নোম নোম শগাই তোং চানবা লৈতে তখেল থাঙ' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমা থোক্লকখি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। "শাৎলমদরে কোম্বীরৈ/লম্ফেল পাৎতা ঙসিদি।" ঈশৈ পরেং অনীসি 'ঈশৈ চনিগী পরেং' কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক্তুদগীনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৈবাক্কী ওইরক্লিবা ইকনমি অমসুং পোলিটিকেল দিভলপমেন্ট

## (ইন্দিয়াগী ওইবা পোলিটিক্সকী শক্তম)

**সোটিনকুমার**

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)*

হেন্দিক্রাফট অমসুং কোটেজ ইন্দষ্ট্রি হেন্না চাওখৎনবা তৌদুনা মীরৈবাক্তা থাদোকপা য়াবা ক্বালিটি লৈবা পোৎথোক পুথোকহনগদবনি। অপীকপা অমসুং ময়ায় ওইবা ইন্দষ্ট্রিনা মীওই মিলিয়ন ২০ লোমদা থবক পীরি। লোয়ননা ইন্দষ্ট্রিয়েল প্রদক্সন ৪০% অদুগা এক্সপোর্টনা ৩৫% মখোয়না পুথোক্লি। সেক্তরসিদা বেঙ্কশিংনা লোন মরাং কায়না পীদুনা লোকেল অমসুং ইন্টরনেসনল মার্কেটতা অতৈগা কম্পিট তৌবা ঙম্নবা থৌশিল পায়খৎকদবনি । কেজিদা লুপা ৩গী চাংদা য়ূম খুদিংদা থাদা চেঙ কেজি ৩৫ ফংহনবগী পান্দমদা ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট এমেন্দ তৌখিবদু অথুবদা কাঙলোন চুম্না চৎনহনবা মথৌ তারি। কম্যুনেল ফোর্সশিং মরায় হাইগৎতনবা অকনবা এক্সন লৌখৎপগা লোয়ননা সেক্যুলরিজম ঙাক্লবগীদমক ধর্ম্মগা ষ্টেটকা অনীসি মরী লৈনহল্লোইদবনি। নুপীদা শক্তি পীননবগীদমক নুপীবু তোন্না হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংবগী মায়োক্তা থেংনগদবনি। সেক্যুলরিজম ঙাক্লবা মাইনোরিটিশিংগী ফংফম থোকপা রাইট অমদি খুন্নাইদা শোত্থহৌরবা সেদ্যুল কাষ্ট, ত্রাইব, ও বি সীনচিংববু মান্নবা থাক্তা পুখৎলক্ক বগীদমক তোঙানবা থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি।

**মরু ওইবা ইস্যু খরা :** ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০গী মখাদা জম্মু কাশ্মীরদা স্পেসিয়েল ষ্টেটস পীবদু বি জে পি অমসুং আর এস এসনা রিকগনাইজ তৌদবদগী কাশ্মীরগী ইস্যুশিং লোইনা লুশিল্লকখি। লো এন্দ ওর্দর প্রোব্লেমনি হায়দুনা মিদিয়ানা লান্না রিপোর্ট তৌরবসু নুংতিগী পুলিস অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সনা মীয়ামদা অওৎ অনৈ লেপ্তুনা চত্থরি। ঈরাং থোরকপা মতমদা পাকিস্থান্নসু কাশ্মীর মখোয়গী লমনি হায়বগী ক্লেইম কনখৎলি। লাইন ওফ কন্ট্রোল অমসুং ইন্টরনেসনল বোর্দরদা তোইনা খূৎ থোক্লরি। নাকল অনীগী মরক্তা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা মোদি লৈঙাক্লা নেসনেলিজমগী কনসেপ্ট শাগৎতুনা লৈরব্রা। আর্টিকল ৩৭০গী মখাদা কাশ্মীরগী ইস্যুশিং ৱারোইশিন পুরক্লবগী খোঙথাং লৌখৎফম থোকই।

**অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা চরাংনবা :** অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা বি জে পিনা পৱার পায়ননবা চরাংনবা থোকহনবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলি। অসামদা মখোয়না মায় পাক্তুনা লৈঙাক শেমখি। অদুগা মণিপুরদনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইদ্রফাওবদা মেনুপুলেট তৌদুনা লৈঙাক শেম্মী। অসাম একোর্দকী মতুং ইন্না মীতোপকী ৱাফমসি কুমজা ১৯৫১না বেজ ইয়র ওইরবসু ভোটর লিষ্টতা য়াওফম থোকপা মীওই লাক্ষ কয়া য়াওদ্রে। পার্টিনা মখোয়শিং অসি হাপচিনফম থোকই হায়না তকশিল্লি। গ্রেটর নাগালেন্দগী দিমান্দদা মণিপুর, অরুনাচল, অসামনচিংবগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি কায়বা য়াবগী ৱাফম লাক্লি। ষ্টেটশিংগী টেরিটোরিএল লিমিট কায়হন্দবা হায়বসি পার্টিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী মরক্তা খূৎয়েক তৌনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টসি অরোনবা দোক্যুমেন্ট অমা ওইনা লৈরি। মসি মীয়াম অমদি য়ূমথংনরিবা ষ্টেটশিংদা খঙহনগদবনি, নাগাশিংগদা নেগোসিয়েসন তৌবা চুমদে। মণিপুর অমসুং অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা এক্টিভ ওইরিবা লালহৌলূপশিংসু নেগোসিয়েসন অসিদা য়াওহনগদবনি।

**ইলেক্টোরেল রিফোর্ম :** ঈ ভি এম মেছিন শিজিন্নবদা রুলিং পার্টিনা মখোয়গী খুদোংচানবা মেনুপুলেট তৌবগী ৱাফম থোরক্লবনিনা ইলেক্টোরেল রিফোর্মগী তঙাইফদবা হেঙ্গৎহল্লে। বেলোট পেপরনা মহুৎ শিন্নবগী দিমান্দসু তৌনরক্লি । মমাঙদা কম্মিটি কয়ানা রিফোর্ম প্রপোজেলশিং শেমখ্রে। মখোয়দুগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবসি ইন্দ্রজিৎ গুপ্তা কম্মিটিনা শেমখিবা প্রপোজেলদুনি, মসিনা বেসিস ওইরগা কেম্প্যেন তৌগদবনি। অহৌবগী ওইনা নেপালদা তৌবগুম্না পার্সিয়েল প্রপোর্সনেল রিপ্রজেন্টেটিভ মওংসি হৌদোকপা য়াই।

**রিজনেল পার্টি :** ষ্টেটশিংদা রিজনেল পার্টিশিংনা মখোয় মখোয়গী ষ্টেটকী লৈঙাক শেম্বদা মরু ওইবা রোল লৌই। সাউথ ইন্দিয়াদনা রিজনেল বুর্জ্জুৱাজী অমসুং মীচমশিংনা মরু ওইনা মসি শেম্বদা য়াওই অদুগা নোর্থ ইন্দিয়ারোমদনা কাষ্টতা বেজ তেই। অনীমক্তা লেফটতা য়াওগদবা শিন্মী অমসুং নমথবীরবা কাঙলূপকী মীওইশিং কোনশিল্লি। মখোয়সিগী ইস্যু পুথোক্তুনা থেংনরগা লেফটনা মখোয়শিংবু লৌশিন্নবা হোৎনগদবনি। প্রো-পিপল পোলিসিগী ইস্যুশিং পুখৎতুনা রিজনেল পার্টিশিং অমদি মখোয়গী তুংইনবশিং অসি জোইন্ট ষ্ট্রগলদা য়াওহন্নবা শিনগদবনি।

-মথং-মথং

## মরোল থোকপা লাই

